# ‘দিভরজেন্ট’ ফিল্মনা বোক্স ওফিস্তা দোল্লর মিলিয়ন ২৭৪ তানবা ঙমখ্রে

একেন সিজগুরুময়ুম

‘দিভরজেন্ট’ হায়বা ফিল্ম অসি সাইন্স ফিক্সনগী ওইবা ব্রারী অমা ওইনা ভেরোনিকা রোঠনা ঈবা অসিবু ফিল্ম অসিগী দিরেক্টর ওইরিবা নিল বর্গরনা পুথোক্লবা কন্না হোৎনদুনা লাকখি। ফিল্ম অসি অহানবদা সেরিয়ল ওইনা নম্ননবা থৌরাং তৌরম্মী অদুবু হৌজিক ফিল্ম ওইনা পুথোক্লবা অসিসু অহানবা শরুক অমা ওইনা অদুমক নমই। ফিল্ম অসিবু পুথোক্লিবা রেদ ৱেগোন এন্টরপ্রাইজনা সুমিট এন্টরটেন্টমেন্টতগী অঙৈবা ব্রারী অমদগী ফিল্মগী রাইট লৌরবা মতুংদা ফিল্ম অসিগী প্রদ্যুসর ওইরিবা দোগলাস লীগ অমদি লুসি ফ্রেস অনীনা পুথোকপনি।

ব্রারী অমবু ফিল্ম ওইনা ওনখৎনবা হোৎনবগী থবক অসিনা ইং ২০১১ গী মার্চ থাদগী হৌজিক ফাওবদা ফিল্ম কম্পেনি অসিনা ইং ২০১৪ গী মার্চকী ২১ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা রিলিজ তৌখ্রবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা ক্রিটিক কয়ানা মখোয় মখোয়গী এঙ্গলদা মান্নদবা মওংগী রিভিয়ু কয়া অমা ফোঙনরকখি। মসিগী মথক্তা ফিল্ম অসিনা পৃথিবীগী ফিল্মগী কৈথেলদা য়োনবা মতমদা য়ু এস দোল্লর ২৭৪ মিলিয়ন তানবা ঙমখ্রে। মসি ফিল্ম অসি নম্বদা চঙবা শেল অদুদগী হেন্না শেন্দোং লৈখ্রবা ফিল্ম অমসু ওইরিব। ফিল্ম অসি ওইরক্লবা হোৎনবা হৌরকপদগীনা রিলিজ তৌবা ফাওবদা চংখিবা শেনফম অসি দোল্লর মিলিয়ন ৮৫ নি। বোক্স ওফিস্তগী ফংলকখিবা শেনফম্না দোল্লর ২৭৪ মিলিয়ন ওইখিবা অসিনা ফিল্ম অসি পৃথিবীগী মীয়াম্না পাম্না য়েংনবা ফিল্ম অমদি ওইরে হায়বসি তাক্লি।

ফিল্ম অসি ওইরক্লবা হোৎনবদা ফোটোগ্রাফিগী অচৌবা থৌদাং অমা ফোটোগ্রাফরগী টিম অদুনা ফিল্মগী মচাক অমসুং মরী লৈনবা ফোটোশিং থিবা হৌখিবনা ইং ২০১৩ গী এপ্রিল ১৬ তগী হৌরগা চহী অদুগী জুলাই ১৬ তা ফোটো সেসন লোয়শিল্লবা মতুংদা ইং ২০১৪ গী জানুৱারি ২৪ দগী ২৬ ফাওবা অসি চিকাগোদা মরুওইনা নমদুনা অথুবা মতমগী মনুংদা মীয়ামদা লাম্ছোকপা ঙমখিবনি। হায়রিবা ফিল্ম অসি থা অসিগী তাং ৫ দা দি ভি দি অমদি ব্লু রেদা রিলিজ তৌনবা থৌরাং তৌবসু লোয়খ্রে। মসিদগী অমুক শেল কয়া অমা তাল্লকখিগনি। ফিল্ম অসি অহানবদা চৎলিবা চহী অসিগী মার্চকী ২০ দা য়ু এস এদা রিলিজ তৌগনি হায়না তৌরম্বা নোংমা য়ৈথরগা মার্চকী ২১ দা রিলিজ তৌখি। ফিল্ম অসি মায় পাক্লবা মতুংদা কম্পেনি অসিনা অনীশুবা শরুক ওইনা সেরিজ অমসু নম্নবগী থৌরাং পুন্নমক শেম শাবা লোয়রে। নৌনা নমগদৌরিবা ফিল্ম অসিগী সেরিজ অমা ওইরিবা ‘ইনসরজেন্ট’ হায়বা অসিনা মথং চহীগী মার্চকী ২০ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেট ওফ অমেরিকাদা রিলিজ তৌনবা থৌরাং তৌরি।

ফিল্ম অসি অইবা ব্রারি অমদগী পুথোক্লবা হোৎনবদা চাওনা ফিল্ম অসিগী স্ক্রিন প্লে রাইটর অমদি ভেনেসা টেলরনা ব্রারি নীংথিনা নৈনরবা ফিল্ম ওন্নবগীদমক অচৌবা থৌদাং লোয়ননা নেইলনা দিরেক্টর মপুং ফানা পুথোকখি। ফিল্ম চাওরাক্লা ১৩৯ মিনিট ব্রাংই। অহানবা ওইনা লোস এঞ্জেলেসতা মার্চকী ১৮ দা প্রেমিয়র উৎলবা মতুংদা মার্চকী ২১ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা উৎপা হৌখিবনি। ফিল্ম অসিদা শক্তম লাংলিবা এক্টরশিংগী মনুংদা থোইদোক্লা হোল্লিবুদতা মীয়াম্না পাম্না য়েংনবা হৌরক্লবা নহা ওইরিবা এক্টর কয়া অমনা এক্ট তৌবা ফিল্ম অমনি। শক্তম লাংলিবা এক্টরশিং অদুদি সাইলেনি ব্রুদলি, থিও জেমস, এস্লি জুদ, জৈ কৌর্টিনি, রে ষ্টেভেন্সন, জোই ক্রাভিজ, মাইলস টেল্লর, টোনি গোল্ডৱিন, মেগী ক্যু অমসুং কেট ৱিন্সলেটনি।

ফিল্মদা ওনখৎতুনা থৌদাং লৌখিবা ইভান দৌহরটি অসি লৌখি ওইদুনা অসি

ফিল্ম অসিগী ব্রারি অসিসু চিকাগোদা য়ুম্ফম ওইবা অমা ওইখি। মসিদা চিকাগোগী সহরদগী লাপথোকপা মফমশিংদা খুন্দাবা মীওইশিংদা থেংনরকপা খুদোংথিবা কয়া অদুদগী মশাবু কঞ্জনবা হোৎনরকখিবা কয়া অদুদা য়ুম্ফম ওইখি। ফিল্ম অসিগী ব্রারি অসিদা চাওখৎপগী লমজেল তান্নদুনা মখল-মখা কয়াগী পোৎ-চৈ শাবা অসিনা মরম ওইদুনা অরাপ্পা মফমদা লৈবা মীওইশিংদা থোকহল্লকপা অমদি মীওইবা অমা ওইনা উরক্তবা কয়া অসিদা সরকারগী মায়োক্তা মখোয়গী ওইবা তোঙানবা মিৎয়েং অদু খঙহনিংদুনা চোংথোরকখিবা চহী ১৬ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমদা য়ুম্ফম ওইবা ফিল্ম অমসু ওইখি। চিকাগোগী ওইনা চাওখৎপগী মিৎয়েংদা সোসাইটি অদুদা হিংলিবা মীওইবগী মখল অসি ৫ থোক্লা খাইদোকখি। মখোয়গী মনুংদা তোঙান তোঙানবা মওংগী ওইনা মফম থমদুনা মখোয়গী মথৌ অমম পীখি। মীওই খরনা মখোয় মখোয়গী অপান্বা অদুগী মতুং ইন্না সরকার অদু চলাইখি। মসি য়াম্না অঙকপা মওংগী সাসন অমসু ওইখি। নহা ওইরিবী বেট্রিস অসিনা এবনেগেসন ওইনা হৌরকখি। মহাক্কী অপোকপা ওইরিবা এনদ্রি অসি এব্লিগেসন কাংবুনা চলাইবা সরকার অদুদা মন্ত্রি ওইবা মীশক অমসু ওইরমখি। মসিনা মরম ওইদুনা চহী ১৬ খক্তা ঙাইরিঙৈদা নুপীমচা অসিবু খ্বাইদগী ফবা অমা ওইননবা শেম শাখি। নোংমা অচৌবা সেরেমোনি অমা পাংথোক্লবগীদমক মহাকপু খনখি। লাইবক থিবদি টেষ্ট অদুগী মতুংদা মহাক অসি কন্ট্রোল তৌবা ব্রাবা অমা ওইবনা গভর্নমেন্টনা মখোইবু কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবা কাংবুশিংগী মনুংদা লৈখিবগা লোয়ননা মখোইনা সরকারগী মায়োক্তা অমদি সোসিয়েলগী ওইবা মওংদা ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা থবক তৌবা হৌরকখি। মখোয়না মরোমদোম থবক থৌরম কয়া পাংথোরকপা অদুনা ফিল্ম অসিদা পীবা অচৌবা ইম্পেক অমা ওইহনখি। মসিনা মরম ওইদুনা নৌনা হৌরক্লিবা অঙাং কয়ানা মখোয়গী ওইবা কাংলুপ অমা শেম্ননবা মখোয়গী লম্বী মথং মথং য়াৎপা হৌরকখিবা কয়া অসিদা য়ুম্ফম ওইবা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসিদা মিদ রোল লৌরিবা সেলিনি ব্রুদলি নিংথিনা এক্ট তৌখিবা আর্টিষ্ট অমনি। ফিল্ম অসিদা পীরিবা কেরেক্টর অসিগা মহাক্লা লৌরিবা রোল অসিগা য়াম্না চুন্নবা অমসু ওইখি।

ফিল্ম অসিনা ইং ২০১৪ দা পাঙথোকপা এৱার্দ কয়াদা শরুক য়াখিবশিংদা মনা কয়া অমসু লৌরকখি। হন্দক চহীগী ওইনা পাঙথোকখিবা এম টি ভি মুভি এৱার্দতা লিদ রোল লৌরিবা ব্রুদলি এৱার্দ ফংখি। চোইস ওফ মুভি এৱার্দকী মনাদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা হায়দোরক্ত্রি। য়ঙ হোল্লিবুদ এৱার্দ, চোইস ব্রেক আউট ষ্টার, চোইস মুভি ভিলিয়ন চোইস মুভি এক্ট, চোইস মুভি এক্ট্রেসনচিংবশিংদা নোমিনেসন চঙবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা রিজল্ট ফংবগী মনুংদা ফেবোরাইট কেরেক্টর অসি খক্তা ঙাইরি।



এম টি ভি মুভি এৱার্দ ২০১৪ দা ‘ফেবোরাইট কেরেক্টর’ হায়বা এৱার্দ ফংখ্রবী ফিল্ম অসিগী লিদ রোল লৌখিবা সেলেনি ব্রুদলি


















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*